কলহৌবা মণিপুরী নুপী ৮ ময়ূমদা হল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১(ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল গেঙ অমগী মেম্বরশিংনা সিঙ্গাপোরদা পুনবা হোৎনরম্বদগী ম্যান্মারদা কলহৌরবা মণিপুরী নুপী ৮ ময়ূমদা পুরকখ্রে।

নুপীশিং অদু মশাগী দিষ্ট্রিক্ট চুড়াচান্দপুরদা কাউন্সেল্লিং সেসন অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ঙসি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে। ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, নুপীশিং অদু ইরাই নুমিৎতা ম্যান্মারদগী কোলকাটাদা ইন্দিয়ন এম্বেসিগী ওফিসলশিংনা পুরকখিবনি। থাংজ নুমিৎতা মখোয় ৮ মক ইম্ফালদা থুংলখি। নুপী ৮ সিঙ্গাপোরদা পুনবা হোৎনরম্বগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চেন্নবা নুপী ২ অমসুং নুপা ১ ফারে হায়রি। রিপোর্ট অমনা হায়খি, সিঙ্গাপোরদা পুবগী লম্বীদা নুপীশিং অদু য়াঙ্গোনগী হোটেল অমদা থমখি। মফমদুদগী নুপী অমনা ময়ূমদা লোন্না পাউ পীরকখি। ষ্টেট লৈঙাক্লা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রি অমসুং য়াঙ্গোন পুলিসকী মতেং লৌরগা মরাইবক থীরমগদৌরবা নুপীশিং অদু কনবা ঙমখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, মমা-মপা ওইবশিংনা য়ারিবমখৈ চেকশিনবগা লোয়ননা মপান্দা থবক পীগনি হায়না নমথাক তৌরিবা এজেন্সীশিংগী মরমদা চপ চাবা ৱাফম খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। মপান লৈবাক্তা মহৈ তমহনগনি অমসুং থবক তৌহনগনি হায়দুনা মমা-মপাদা নমথাক তৌরম্লগা হ্যুমেন ট্রাফিক্করশিংনা করিসু খঙজদবা নুপীমচা কয়া মপান্দা পুখিবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা পুলিসনা মরাল লৈবা মীওইশিং ফারগা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অমদা ৱায়েন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা পুলিসতা পাউতাক পীখি।

'থবক শুদনা শেল লৌথোকখ্রে'

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১: উয়ুমপোক গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমদা থবক তৌদনা শেল লৌথোকখ্রে হায়না ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব উয়ুমপোক্কী সেক্রেটরি এ অনন্দ মৈতৈ, য়ুনিক ভলুন্টির্স এসোসিয়েসন উয়ুমপোক তেরাগী সেক্রেটরি দব্লিউ সিংহজিৎ অমসুং উয়ুমপোক দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ৱাই মঙলেমজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কুমজা ২০১৩ দগী হৌরগা ২০১৬ ফাওবগী ওইনা ১৩ ফাইনান্স, ১৪ ফাইনান্স অমদি ষ্টেট ফাইনান্সকী ২০১৪-২০১৫-২০১৬ ফাওবগী মনুংদা শুখিবা থবকশিং অয়াম্বা লোয়শিনদবসু য়াওরি। শুদনা শেল লৌথোকখিবসু য়াওই হায়না মরাল শীরি।

ৱার্কনম্বর ১৯ কন্সত্রক্সন ওফ পব্লিক পোন্দ এট উয়ুমপোক তেজপুর অৱাং লৈকায় হায়রিবসি লৈকায়না ঙায়োক্লগা মদুগী লাকপা ফন্দনা পুখ্রি শেম্বনি। অদুবু হায়রিবা পুখ্রি অসি শেমখ্রে হায়দুনা শেল লৌথোকখ্রে হায়নসু চার্জ তৌরি। অদুমকপু মরী লৈনবশিংগী ৱাফমদি তাবা ফঙদ্রি।

য়াইফ পাউজেল

লামায় ১গী মখা... হৌদোকখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মহাক্কী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ২ দা মিসন অসি মপুং ফানা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

লৈবাক্কী মপানি হায়না লৌনরিবা গান্ধীগী মপোক কুমওন পাঙথোকপগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা মওংদা পূন্না হিংমিন্নবা অমসুং পূক্লিং-ৱাখল, হকচাং অমসুং অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌগদবনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা নন-ভাইওলেন্স, নুংশিনবা, ঈং-তপ্পা অমসুং য়ুনিভর্সেল ব্রদরহূদ হায়বা মহাক্কী পাউজেল নীংশিংবগা লোয়ননা ঙাক্কদবনি। মদুতদা থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈগনি।

অহলশিংতগী ...

লামায় ১গী মখা... মহাক্লা মখা তাখি। থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা অহল ওইরবশিংদা খূদোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। সোসল ৱেলফেয়রগী কম্মিস্নার ঐচ দিলিপ (আই এ এস), সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর জসিন্থা লজারস (আই এ এস) অমদি জোইন্ট দিরেক্টর সুরেন্দর এ সিসকনা মথৎশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি হায়রি।

GAS TODAY

ASHANGBI INDANE, SUGNU
SL.NO. : 13019
Booking Upto:21/06/2017
Valid From:16/06/2017
Stk :306
Timing:09.00am to 11.00am

SAWOMBUNG INDANE
Booking Upto:22/06/2017
Valid From:01/06/2017
Stk :612
Timing:07.30am to 10.00am

ইরাবতনা লৈরম্বা সিলহেট জেল য়েংশিনখ্রে

'সেন্ত্রেল জেল সিলহেটকী সুবেদার লাক্কদৌরি'

লময়ানবা হিজম ইরাবত কী ১২১ শুবা মপোক কুমওন নিংশিং থৌরম
অমসুং
পেট্রিওটিক রাইটার্স ফোরাম না লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীতমশিং
খোংজুম লীবা খোংচৎপু তরাম্না ওকপা
৩০ সেপ্টেম্বর ২০১৭, থাংজা
জানুবিল মাঝের গাঁও, আদমপুর বাজার, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার
মণিপুরী
সিলেট

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১(ঐচএনএস): মমাং থাগী ২৭ তগী বাংলাদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথরক্লিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীতমশিং অমসুং মহাক্লা লৈরম্বা সেন্ত্রেল জেল সিলহেট অমদি ধাকাগী পোগোষ্ট স্কুলগী য়েংশিনবগী খোঙচৎকী মনুং চন্না ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা পেট্রিওটিক রাইতর্স ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম, পেট্রোন মেম্বর ডা. এস মনাওতোন, ফোরমগী ফাউন্দর সেক্রেটরি ও সী মৈরা, ঙাক্লৌগী এদিটর ঙাথেম রাবৈচন্দ্রনা লুচিংবা টিম অমনা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা লৈরম্বা সেন্ত্রেল জেল সিলহেটকী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা জেলগী মরুওইবা মীওই কয়াগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী প্রসিদেন্ট এ কে সেরাম, সেক্রেটরি নামব্রম সঙ্কর, ফাইনান্স সেক্রেটরি য়ুম্নাম নিপেন্দ্র, পব্লিসিটি সেক্রেটরি সোমেন্দ্রোনচিংবা মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখিবা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা সেন্ত্রেল জেল সিলহেটকী সুবেদার এম দি মুজহর আলিনা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোরকখি।

সুবেদার মুজহর আলিনা ফোঙদোক্লকপদা, সেন্ত্রেল জেল সিলহেটতা ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদগী মীওই কয়ামরুম জেল অসিদা লৈখিবগী রেকোর্দ লৈ। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা থারকপা মীওইশিং জেল অসিদা নীংথিনা থমদুনা লাকখি।

সুবেদার মুজহরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী মনুং চন্না লৈরিবা মণিপুরগী হিষ্ট্রি তারুরগা মণিপুরদা লাক্লিংবা পোকই। অতেনবা মতমগী মনুংদা মণিপুরদা লাক্তুনা মণিপুরগী ফজরবা মফমশিং য়েংননবা থৌরাং তৌরি। ঐগী মণিপুর খোঙচৎতা ঐগী ফেমিলি মেম্বরশিংসু লোয়নরক্কুবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

খোঙচৎ অসিগী ক্রুপ লিদর ওইনা শরুক য়ারকখিবা ফোরমগী পেট্রোন মেম্বর ডা: এস মনাওতোন্না ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা হায়খিবদা, ঐখোয়গী খোঙচৎ অসিগী ৱাহন্থোক সেন্ট্রেল জেল সিলহেট য়ৌরকপসিদা মপুং হেন্না ফারকপগুম তৌই। মরমদি ইরাবতনা জেল অসিদা মীয়াৎ তাদুনা লৈরিঙৈ মতমদা লাইরিক কয়ামরুম ইদুনা নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন শাগৎখি। লোয়ননা লময়ানবা ইরাবতনা বাংলাদেশকী কম্যুনিষ্ট লিদর পির হবিরবুর রহমনগা শকখঙনরক্তুনা কোংগ্রেস ওইনা লৈরম্বা ইরাবতসু কম্যুনিষ্ট লিদর ওইনা জেলদগী থোরকখি।

ডা. মনাওতোন্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী নেসনেলিজমগী ঈহৌ শাগৎপদা চাউনা ঈনোৎ পীরিবা ঈশৈ 'থাঙ্গোন অদু ময়া থাংঙু থৌনা' হায়রিবা ঈশৈসিমক বাংলাদেশকী শক্লাইরবা শৈশকপা অমসু ওইরিবা কম্যুনিষ্ট লিদর হিসাঙ্গো বিশ্বাশকা শকখঙনরকপদগী ঈশৈসিমক ইরাবতনা মীতৈলোনদা হন্দোক্তুনা শকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী প্রসিদেন্ট এ কে সেরাম্না ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী খোঙ্গুল লীবগী খোঙচৎ অমদা বাংলাদেশতা খোঙদাবীরকপা অসিনা বাংলাদেশকী মীতৈ ইচিন-ইনাওশিংগী মফমদা মীনুংশিগী ঈরিক অমা খিকপীরে হায়না খল্লি। ইরাবতকী পুন্সিগী তাঙ্কক খরদা সিলহেট জেলদা লৈরম্বা অসিমক্লা বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা ঙসি চাউথোক্লা হিংবা ঙমজরিবনি। মহাক্লা জেলদগী থোরক্লবা মতুং বাংলাদেশকী মীতৈ তাবা খুল কয়াদা চঙ চঙদুনা ইরৈপাক ইরমদম নুংশিহন্নবগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লম্মী।

ফোরমগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ফোরমগী মীহুৎ কাঙবু অমনা সিলহেটকী সেন্ত্রেল জেলদা থিজিনবগী খোঙচৎ অমা চৎতুনা জেল মনুংদা চঙবা ফঙহৌবসি নোংমদি অচৌবা পুৱারি অমা ওইহৌরগনি। মরমদি সেন্ত্রেলজেল সিলহেট অসি হৌজিক ওইরিবা মফম অসিদগী হোংদোকখিনবগী ৱাফম রিপব্লিক ওফ বাংলাদেশনা খন্নরগা লৈরিবা ৱাফম অমনি। করিগুম্বদা জেল অসিনা হোংদোকখিবা থোক্লবদি ইরাবতনা লৈরম্বা সিলহেট জেলগী মশক তুংগী মীরোলনা খঙননবগী লন্থী খক লৈররোই। অদুনা ঙসি ফোরমনা চৎলিবা সিলহেট জেলগী থিজিন খোঙচৎ অসি অতাঙবা অমনি।

ফোরমগী মরুওইবা মেম্বর সোবীতা মোংজম অমদি উমাবতি অথোকপম য়াওনা চৎখিবা জেল থিজিনবগী খোঙচৎ অদু লোয়রবা মতুংদা মণিপুরী রাজবারি হায়না খঙনরিবা মণিপুরী কোনুং সিলহেটতা য়েংশিন খোঙচৎ অমসু চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা বাংলাদেশকী সিলহেটতা লৈরিবা নিংথৌগী কোনুংদা লৈরিবী শক্লাইরবী আর্টিষ্ট এল শান্তোনানা ৱাফম কয়ামরুমসু ফোঙদোরকখি। মহাক্লা হায়, বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা কোনুং অসিবু য়াম্না লুনা খন্নে। কোনুং অসিগী ফিভম য়াম্না অরুবা ফিভমদা লৈরে। হৌজিক ওইরিবা কোনুংগী ফিভম অসি য়েংশিন্দুনা ঙাক শেলহৌদ্রবদি কোনুংগী মশক অসি মাঙখিদুনা তুংগী মীরোলনা কোনুং লৈরম্মী হায়বগী থাজনিংঙাই অমত্তা লৈহৌরোই। মরম অসিনা বাংলাদেশকী মীতৈশিং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা কোনুং অসি য়েংশিনবীদুনা ঙাক শেনবীবা মথৌ তারে হায়না মখা তাখি।

এল শান্তোনানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোনুং অসিগী অকোয়বদা পুখ্রি অহুম লৈরম্মী। নিংথৌগী পুখ্রি, রানী পুখ্রি অমদি মীয়ামগী পুখ্রি হায়দুনা লৈরম্মী। অদুবু ঙসিদি রানীগী পুখ্রি নত্তনা পুখ্রি অনী অসি ফুনজিন্দুনা পুখ্রিগী শক্তম উবা ফঙখিদ্রে। ঐখোয়না বাংলাদেশতা মীতৈ অমা ওইনা হিংলি হায়বসি মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা মণিপুরগী শঙাই ফেষ্টিভেলদা বাংলাদেশকী মীতৈশিংগী অখন্নবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমা উৎচনিংই। মণিপুর লৈঙাক্লা মীনুংশি উৎপীবগা লোয়ননা মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেলদা ঐখোয়বুসু য়াওহনবীনবা লন্থী শেন্বীয়ু হায়না মখা তাখি।

পেট্রিওটিক রাইতর্স ফোরম মণিপুরগী মীওই তরেৎনা শাবা টিম অসিবু বাংলাদেশ মণিপুর সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ ব্রাঞ্চকী জোইন্ট সেক্রেটরি হামোম প্রোবিতনা লুচিংদুনা ধাকাগীদমক ঙসি নুমিদাং পুং ১১ দা সিলহেট থাদোক্লগনি। ওক্তোবর ২ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা লাইরিক তম্লম্বা ধাকাগী পোগোষ্ট স্কুলদা খোঙচৎলোয়শিংনা স্কুল অসিগা ইরাবতকা লৈনরম্বা মরীগী মরমদা থিজিনগনি হায়রি।

'মীখলনা ফেষ্টিবেলগুম তৌরিমখৈ...

লামায় ১গী মখা... পীক্লবসু ঐখোয়না অসিগুম্বা থবকশিং অসিদগী শেল তানবা য়াবগী থাজবা লৈ। মসিখক্তা নৎতনা অতৈ পোৎলম কয়া শেমগৎ-শাগৎননবা হোৎনবদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং শেমগৎকদবনি। হৌজিক্তি সোলর প্লেটকী মতেংনা য়ূমদা মৈ থানবদা অচৌবা মতেং ওইরে। ফিশাবীশিংসু সোলরগী মতেংনা কান্নবা পীরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা সোলর প্লেট শাহন্নবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্মী।

মহাক্লা হায়খি, লৈঙাক হায়বসি শেল লৈত্রগদি কমদৌনা থবক তৌবা ঙমগনি। লম্বী শেম্ববু ওইরো, চাউখৎ থৌরাংগী অতৈ থবকশিং তৌদে হায়রিবদু তশেংনমক শেল লৈরগা তৌদ্রিবরা হায়বদুসু মীয়াম য়েংবীগদবনি। ঐখোয়গী রিছোর্স মোবিলাইজেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্লা কাউরোইদবনি। এন আই সী মণিপুরগী ষ্টেট ইনফোর্মেটিক্স ওফিসর কে ঐচ রাজেন অমসুং নৈলিটকী এগজিক্যুটিব দিরেক্তর (ইম্ফাল, কোহিমা এন্দ অগরটালা) টি ঐচ প্রমেশ্বরসু থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখি।

লৈকায়-লৈকায়দা মীয়ামগা ...

লামায় ১গী মখা... য়াওবা উদে। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা মমাঙদা অকক্লবা খোঙথাং অমত্তা লৌখত্তনা লৈরকপগা লোয়ননা হৌজিক্কী ৱাফমদসু ময়েক ইশেং শেংদবগী মমি তারি হায়নসু মখা তারি।

চেরোল অসিনা হায়, পূম্নমকসি য়েংলগা মৈতৈ মীয়ামগা মখা করি খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বা তাননবা, খন্ননবগীদমক হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎতা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা মীয়ামগী ৱারেপ্পবা মীফম অমা পাঙথোক্লখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা ওক্তোবরগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ভারত লৈঙাক্লা ময়েক শেংনা মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন থাগদবনি অমদি মদুদগী থেংথরবদি মখা তাবা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়বা ৱারেপ অনী লৌখিবগী ৱাফম মীয়াম্না খঙনরে।

ৱারেপকী মতুংইন্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা ওক্তোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা রেকমেন্দেসন থাগদবনি হায়বা ৱারোল য়াওবা চে সেপ্টেম্বর ২৯ দা পীশিনখ্রে। মীয়ামগী ইহুল খঙবীদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা শোয়দনা থবক পায়খৎপীরক্কনি হায়বসি এস টি ডি সি এম অমসুং মীয়ামগী থাজবনি হায়রি।

ঈ কৎপা হায়বসি মীওইবগী ...

লামায় ১গী মখা... মরম অদুনা হায়রিবা মেছিন অদু মণিপুর লৈঙাক্লা লৈননবা হোৎনরি।

ঙসিগী থৌরম অদু প্রিসাইদ তৌখিবা হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এস সুভাসচন্দ্রনা হায়খি, ঈনা মীওইবদা পীরিবা মপান নাইদ্রবা কান্নবা অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা ঈ কৎপা মশীং য়াম্লগদি মহাক্কী থাগী তোলোপ্তা ইনক্রিমেন্ট হাপ্পা অমসুং লৈঙাক্কী থবক চঙনিংবা মীওইনা ঈ কৎপগী চাং য়াম্লগদি মখোয়গী ওইবা অকক্লবা সীট মশীং খরা রিজার্ব তৌননবা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনগনি।

মহাক্লা হায়খি, মমাঙৈদা ঈ পীবদা অরানবা ৱাখল্লোন অমা লৈরম্মী। অদুবু ঙসিদি মদুগী ৱাখল্লোন অদু মাঙখিদুনা ভোলুন্টরি দোনর কয়া থোরক্লে। মখোয়না মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা অমসুং মপূক্লিং থৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মীৎ উবগী মতিক ময়াই লৈত্রবা প্রেমজিৎ কৌবা লল্লোংদগী মীওই অমনা ঈ ৫৬ লক কৎখিবগীদমক মহাক্কী তোলোপ্তুগী থা খূদিংগী লুপা লিশিং অমমম্ পীরগনি। নিংথৌখোংদগী দয়ানন্দদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫ অমসু পীরগনি।

থৌরম অদুদা চহী অসিগী এপ্রিলদগী সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা য়ামদ্রবদা ব্লদ দোনেসন কেম্প ৩ দগী তাদনা শীন্দুনা ঈ য়ুনিট ১০০ দগী তাদনা খোমজিনবা ঙন্বশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মমেন্টো অমদি সর্টিফিকেটনচিংবা পীদুনা ইকায় খুম্নখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ভোলুন্টরি দোনর কয়ানসু ঈ কৎনখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র সেক্রেটরি সুমন সিংহ, ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন্দ দিরেক্টর (হেল্‌ঠ) ডো. কে রাজো, মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি মণিপুরগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ভেলেন্টিনা অরাম্বম অমসুং জি পি ৱিমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল বি লালহরি শর্ম্মনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

লেবর দিপার্টমেন্টকী শক্তাক ...

লামায় ১গী মখা... মৈতৈরোল খরা ঙাঙবা ঙম্লবা মতুংদা ইম্ফালদা পুশিল্লকপনি হায়রি। লমদমসিদা কাউন্টর হাংলিবশিংনা মপান লমগী শিন্মীশিং মরী লৈনবা চে-চাং য়াওদনা ইম্ফালদা পুশিল্লকপা য়ারোই। ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা মপান লমগী শিন্মীশিং পুশিল্লকপা মতমদা লেবর দিপার্টমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা মশাগী শক্তাক চে য়াওদনা পুশিল্লক্লবদি মণিপুরগী লৈমায়দা অমুক হন্না খোঙদাবা য়ারোই।

মশাগী শক্তাক চে য়াওদনা পুশিল্লক্লবদি হায়রিবা তোঙান-তোঙানবা ত্রান্সপোর্ট এজেন্সী অমদি পেসেঞ্জর চেনবা অমদি পোৎ পুবা ত্রকশিং লমদম অসিদা মখা তানা অমুক হন্না চেলহল্লোই হায়রি। জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মপান লমগী ফার্মশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি হায়খি।

ক্রুজর থৌরকখিবা গাড়ী দ্রাইভর অদুগী মমিং ফুলোমিয়া লাস্কর (৩৫) অপোকপা টাজউদ্দিন কৌই। মহাক আসামগী সোনাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বৌরা বৌরাই খুলদা লৈবনি। মহাক নেসনল হায়ৱে ৩৭ দা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরকপা চহী ১৫ রোম ফারে হায়রি।

গাড়ী অদুগী মপুনা নুরইস্লম লাস্কর (৬০) কৌই। মহাকসু আসামগী সোনাই দোকিন মাম্পুরদা লৈবনি হায়রি।

আর্টিষ্টশিংগী গেষ্ট হাউস অমা ...

লামায় ১গী মখা... মরী চেৎশিনহনবা ঙমগনি। লৈঙাক অসিগী হীরম খূদিংমক্তা মনুং-মপান নাইদনা থবক পায়খৎকনি। ঐখোয় খূদিংমক্লা খুন্নাই অসিদা চাউখৎপা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং অমমম্ লৈ অমদি খুন্নাই অসি চাউখৎহনবা হায়বসি মীয়ামগী খূৎতা লৈ হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী চীফ এদভাইজর ডো. এম নরানা হায়খি, হান্না শেমদুনা থমখ্রবা কলচরেল পোলিসী অদু অথুবা মতমদা চৎনহন্নীংই। কলচরেল পোলিসী অদুগী মনুংদা শুমাঙ লীলাগী ওইবা দিভলপমেন্টশিংসু য়াওই। মরম অদুনা দ্রাফট পোলিসী অদু কেবিনেটতা পুথোক্তুনা অথুবা মতমদা চৎনহনবীয়ু।

সেমিনারগী সেসন্দা, মণিপুরী শুমাঙ লীলাগা ঈশৈ-নোংমাইগা লৈনবা মরী হায়বসিদা ডা. মাখোনমণি মোংশাবনা চে পাখি। শুমাঙ লীলাগা স্কৃপকা লৈনবা মরী হায়বসিদা ডা. রাজেন তোইজাম্বনা চে পাখি । ৱারেপ্প নবা, পদ্মশ্রীনা মোদরেটর ওইখি।

মাখোনমণি মোংশাবনা হায়খি, ঈশৈ-নোংমাই হায়বসি ঈশৈখক্তা নত্তনা য়ৈবা-খোংবা তৌদুনা থৌদাং লৌরিবা অদুবুসু য়াওনা কোনশিল্লি। শুমাঙ লীলাদা য়ৈবা-খোংবা অসি য়াম্না মরু ওইনা লাকই। ঈশৈ-নোংমাইগী শিনফম অসি য়াম্না থকসি-খাসি লৈবা অমনি। মণিপুরগী ওইনা য়াম্না পাক-শন্না অমদি মরু ওইবা অমা ওইনসু লৈরি। ঈশৈ হায়বসি ঐখোয়গী পূন্সি মহিংগা য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। পোকপা-শিবা, লুহোং-কৈহোংবনচিংবদা ঈশৈ হায়বসি থাদোকপা য়াদে।

শক্কদৌরিবা ঈশৈগী মওং-মতৌ, মফম-মতম খেন্নবগী ৱাতনি। লাইনিং-লাইশোল, লাই তিনগী থৌরমদা শক্ল-শোন্নবা মওংশিং অসি নত্তনা অতৈ থন্না লৈরল্লিবা ঈশৈ মওংদি অয়াম্বনা খুল্লক-লৈরক্কী ওইবা অচম্বা ঈশৈনি। ফোক সোং হায়রগা খঙনবা ঈশৈশিংগী মখল কয়াসু লৈরি। ঈশৈ-জগোয় হায়রিবশিং অসি অয়েংবশিংনা মপান্থোঙদা উবা পূক্লিং ৱাখল অনীবু পোথাহনবা, নুংঙাইবা ফাওহল্লিবা কুম্মৈ অদুখক ওইনা চম্না খন্নে। থম্মোয়নুংগী ওইবা পাউদম অমা পাউখোংগুম্না অউবশিংদা চল্লি হায়বসি উরিবা-তারিবা মীওইশিংনা থোয়না খন্নদে। মহাও কয়া জগোয়-ঈশৈদা য়াওরি, মহাওশিং অসিবু পোকহল্লিবা, ফংহল্লিবা অসি মরু ওইরিবনি। হায়রিবা মহাওশিং অসি শুমাঙ লীলাদা মথেল অমা ওইনা হাপ্লকই। হান্না লৈজরিবা শুমাঙ লীলাগী মচৎতা অহেনবা মচাক অমা ওইহন্দুনা অমুক্তা হেন্না অয়েংবশিংগা নকশিন্নবা হেলহল্লি হায়খি।

ডা. রাজেন তোইজাম্বনা হায়খি, মণিপুরী শুমাঙ লীলাদা অইবা স্কৃপ কয়া অচৌবা খোঙচৎ অমগা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবদি ঙাইরাংবম ইবোহলনি (১৯৪১)। মহাক্কী পূন্সিগী মরূপ, ইপাগী ইবুংঙো, আবিরখান, অনৌবা পূন্সি, অমম্বা সংসার, মপা অহুম, বাংলাদেশকী লাইফদিবী, অমংবা নোং, অঙাঙবা থম্বাল, হৈনৌজোম য়ুম্বাল তেলঙ্গা য়াহিপনচিংবা কয়া লৈখ্রে। ইবোহল অমদি থাংজম বীরচান্দ (১৯৩৭-২০০৮) গী মতম অসি মণিপুরী শুমাঙ লীলাদা অঙকপা ফজরবা আর্টকী খোঙচৎ অমনি।

এল পি জিগী মমল লুপা ১.৫০ হেনগৎলে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০১(এজেন্সী): জেটকী থাউ নৎত্রগা এভিএসন টর্বাইন ফ্যুএল (এ টি এফ)গী মমল চাদা ৬ হেনগৎখিবগা লোয়ননা কিলোলিটর ১দা লুপা ৫৩,০৪৫ পীরগনি হায়না ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সী)না ফোঙদোকখ্রে।

থংনা-থংননা এ টি এফকী মমল হেনগৎপা হন্দক্কী অসিনা অহুল্লক শুবনি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা সেপ্টেম্বর ১ দা এ টি এফ কিলোলিটর ১গী মমল চাদা ৪ হেনগৎখিবগা লোয়ননা কিলোলিটর ১দা লুপা ১,৯১০ হেনগৎখিবনি।

অমরোমদা, চাকথোং গ্যাসকী মমলসু হেনগৎখিবগা লোয়ননা এল পি জি সিলিন্দর অমদা লুপা ১.৫০ হেনগৎলে। থা খূদিংগী মমল হেনগৎহন্দুনা মার্চ থা ফাওবদা সবসিদি পীবগী মওং মুখৎনবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা এল পি জিগী মমল হেনগৎহনখিবনি।

আই ও সীগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কিলোগ্রাম ১৪.২ লূম্বা সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দর অমগী মমল দিল্লিদা লুপা ৪৮৮.৬৮ পীরগনি। হান্নদি লুপা ৪৮৭.১৮ পীরম্বনি। সেপ্টেম্বর ১ দসু এল পি জি সিলিন্দর অমগী মমল লুপা ৭ হেনগৎহনবা লৈখ্রবনি।

জুলাই ৩১ দা ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা লোক সভাদা হায়খিবনি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা ওইল কম্পেনি খূদিংমক্তা এল পি জিগী মমল থা খূদিংগী লুপা ৪ হেনগৎহন্দুনা মথং চহীগী মার্চ থা ফাওবদা সবসিদি পীবগী থৌওং মুখৎনবা হোৎনগদবনি।

মমাঙ চহীগী জুলাই থাদগী হৌনা থা খূদিংগী সবসিদাইজ এল পি জিগী মমল হেনগৎহন্দুনা লাকখি। হৌজিক ফাওবদা পূন্না সিলিন্দর অমগী মমল লুপা ৬৯.৫০ হেনগৎহল্লে। কুমজা ২০১৬ কী জুনদা কিলোগ্রাম ১৪.২ লূম্বা সিলিন্দর অমগী মমল লুপা ৪১৯.১৮ ওইরম্বনি। মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা আই ও সী, ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদ (বি পি সী এল) অমসুং হিন্দুষ্টান পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদ (ঐচ পি সী এল)দা সবসিদাইজ দোমেষ্টিক এল পি জিগী মমল থা খূদিংগী লুপা ২ (ভেট য়াওদনা) হেনগৎহন্নবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মতম খরগী মতুংদা সবসিদি মুখৎনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

মে ৩০ দা ওইল মিনিষ্ট্রিনা থা খূদিংগী সিলিন্দর অমদা লুপা ৪ হেনগৎহন্নবা য়াথং পীখ্রবা মতুংদা ঙসিগী অসিনা মঙারকশুবা এল পি জিগী মমল হেনগৎহনবনি।

লৈবাক অসিদা সবসিদাইজ এল পি জিগী কষ্টমর ক্রোর ১৮.১১ লৈরি। মসিগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি উজ্জৱালা যোজনাগী মখাদা লায়রবা নুপীশিংদা লেম্না গ্যাস কনেক্সন পীবা য়াওরি। নন-সবসিদাইজ কূকিং গ্যাস শীজিন্নবা মীওই ক্রোর ২.৬৬ লোমসু লৈরি।

পেন্তিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১(ঐচএনএস): লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, থৌবালদা ৬২ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসন থৌরমগা মরী লৈননা রিচ ফ্লোরা এন্দ ফাউনা ওফ মণিপুর অমদি রোল ওফ য়ুথস, ষ্টুদেন্টস ইন প্রোটেক্সন এন্দ কঞ্জবের্সন ওফ ৱাইল্ড লাইফ ইন মণিপুর হায়বা হীরমদা পেন্টিং অমদি আর্তিকল রাইটিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর থৌবালগী মখাদা আর কে অমরজিৎ, দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসর থৌবালনা লুচিংলগা শিনখিবনি। কেটগোরি অনী থোক্লা পাঙথোকপা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা ক্লাস ফাইবতগী ক্লাস সেভেন ফাওবা অমা অদুগা ক্লাস নাইনদগী ক্লাস টুৱেলব ফাওবনি। কম্পিটিসন অদুদা মহৈরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াখি।

য়েলহৌমী কন্নবা ঈহৌগী মতম লেপ্লে, মীয়াম শেম শাদুনা লৈবীয়ু : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১

হিয়াঙ্গৈগী ২৩ নি পানবা থাংজ, নবেম্বর ১১, ২০১৭ গী নুমিদাং পুং তরুক্তগী হৌরগা হিয়াঙ্গৈ থাসি থাংজ, নবেম্বর ১৮ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পুম্বা চয়োল অমা চুপ্পা য়েলহৌ ঈহৌরেল (মেগা প্রোটেষ্ট) চথুদুনা মণিপুর পুম্বা পুমথিং থিংদুনা (তোতেল সট দাউন) য়েলহৌমী কন্নবা অপুনবা মীয়ামগী ঈহৌ চঙশিল্লগনি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী কোওর্দিনেটর, ষ্টেনিদং কম্মিটিগী কিয়োংহন মঙাংনা প্রেসতা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ঈহৌ অসিগী মনুংদা অহানবা নুমিৎ মঙানি হায়বদি নবেম্বর ১১ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তগী হৌরগা নবেম্বর ১৫ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুরগী লম্বী লমজাওদা মীয়াম থোক্তুনা থিংগনি। ইশাগী শিন্থা খুদিংমক থাদোক্লগা অহিং অমদি নুংথিল মীয়াম থোক্তুনা লম্বী খুদিংমক লৈঙাক্কী মখুত্তগী মুন্দুনা মীয়ামগী খুৎতা থমগনি। তাঙ্কক অসি ফাওবদা করিগুম্বা লৈঙাক্লা মীয়ামনা পাম্বা য়েলহৌমী কনগদবা কাঙলোন অমা শেমদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নদবা থোক্লবদি থংনবা অয়ুক্তগী মীয়াম হুপ্না ইম্ফাল ময়োল তম্না হায়গৎতুনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ খুদিংমক হায়বদি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লী, গভর্নর ওফিস, চীফ মিনিষ্টর ওফিস অমদি মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরশিং য়াওনা মীয়াম্না কোয়শিন্দুনা খুদুম চনগনিঅমদি মণিপুরগী লৈঙাক মীয়ামগী খুৎতা পায়শিনগনি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্লা য়েলহৌমী কনবা ঙমদ্রগদি মীয়াম্না লৈঙাকচদুনা য়েলহৌমী কঞ্জনবগী থৌদাং অদু মীয়াম্না লৌফম থোকই। ঈহৌ অসি তশেংনমক মীয়ামগী অপুনবা ঈহৌ (সিভিল মুভমেন্ট) নৎত্রগা মীয়ামগী লালহৌ (সিভিল ৱার) অমনি। ঈহৌ অসিগী পাকচাউবা অমদি নুংদা চেল্লিবা ৱাহন্থোক খুদিংমক মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙবীয়ু। য়েলহৌমী অমদি য়েলহৌ লম কনবা হায়বসি ঙসিগী তাঙ্কক্তা মণিপুর মীয়ামগী খ্বায়দগীমরুওইবা পান্দম অমসুং পন্থুং ওইরি। মরম অদুনা য়েলহৌমী কনবগী থৌদাং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা পাঙথোক্তবা থোক্লগদি মণিপুর মীয়াম্না মণিপুরবু লৈঙাকচদুনা য়েলহৌমী অমদি য়েলহৌ লম কঞ্জনবা ফিরেপ লৌফম থোকই হায়রি।

চয়োল অমা চুপ্না ইশাগী লন্নাই ওইবা শিন্থা খুদিংমক থাদোক্তুনা খুন্নাই কন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নসি। আই এল পি এসকী ঈহৌ, এস টি দিমান্দগী ঈহৌ অমদি সিট রিজর্ব তৌনবগী ঈহৌ খুদিংমক য়েলহৌমী কন্নবনি হায়রগদি ঈহৌ খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবদা করি অকায়বা লৈবগে হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ৱাখল্লোন্নি। হন্দক্কী ঈহৌ অসিদা মপুং ফানা য়েলহৌমী কনবগী চপ চাবা তাঙ্কক অদু য়ৌদ্রিবা ফাওবা মীয়াম্না হীরম অমত্তদা খোঙফম হন্দোক্লোইসি। ঈহৌ অসি মায় পাকপা অমসুং পাক্তবা হায়বসি হৌজিক্তি মণিপুর মীয়ামগী খুৎতা মণিপুর মাওইষ্টনা শীনজরি। মরম অদুনা হিয়াঙ্গৈগী ২৩ নি পানবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা ঈহৌ অসি য়ুমথোং খুদিং থোক্তুনা য়েলহৌমী কন্নবা কাঙলোন অমা চপ চানা লৈত্রিবা ফাওবা ঈহৌদগী মায় লৈরোইসি। য়ুমথোং খুদিংমক ইনিদয়ানা কাপ্তুনা হাৎপসু ঙল্লোই অমদি ফাদুনা কৈশুমশঙদা থম্বসু ঙল্লোই। মরম অদুনা চঙশিনগদৌরিবা ঈহৌ অসিদা মীয়াম্না অকিবা মচেৎ অমত্তা য়াওদনা য়েলহৌমী কনমিন্নসি। হৌখিবা চহী কয়াদা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌদা মতম শাংনা ঐখোয় খুদিংমক ৱামিন্নখ্রে অদুবু হন্দক চহী অসিদদি অদুগুম্বা থৌদৌ অদু অমুক হন্না থোক্তনবা চয়োল অসিমদি মীয়ামগী চপ চাবা থৌনা লিংজেল অদু ফুদোক্তুনা অমত্তা ওইবগী লীচিংদা য়েলহৌমী কনমিন্নসি। হীরম অমত্তদা য়েলহৌমী কনদ্রিবা ফাওবা মণিপুর মাওইষ্টকী মায়কৈদগীসু ঈহৌ হন্দোক্লোই অমদি মীয়াম্নসু ঈহৌ অসিদগী নাথৈবীগনু হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মরক অসিদা কনাগুম্বা লুপ অমত্তনা য়েলহৌমী কনবগী মতাংদা লৈঙাক্লা ৱারী শাননবা হোৎনবীগনু। করিগুম্বা লৈঙাক্লা ৱারী শানদুনা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌগী মতাংদা খাবৈ খারা শারক্লবদি ফনা কনবা লুপ ওইরবসু খুন্নাই অসিগী কাঙ্খুলদগী মুখৎলোইদবগী মরম লৈতে। মণিপুর মীয়াম্নসু য়েলহৌমী কন্নবা ঈহৌদা খাবৈ খারা শারকপা অদুগুম্বা লুপ অদু মুখৎনবা চপ চাবা ৱারেপ লৈকায় খুদিংদা লৌবীবা মতম য়ৌরে। মণিপুর মীয়াম্না শক-মায়, অচান-মিরায় নায়দনা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌদা খাবৈ খরা শারকপা খুদিংমক মুথৎনবা চপ চাবা ফিরেপ লৌমিন্নরসি। সাগৈগী মৈতাল অশিবশিং খন্দোক্তুনা খোঙ্গুল মুথৎলসি। য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌদা য়াওল লালহৌলুপনা য়াওশিল্লকপসি মওং মরিল চুমদে হায়না ঙাংনবা কয়াসু য়াওরকপা য়াই অদুবু হৌখিবদা য়াওল লালহৌলুপ য়াওখিদে অদুবু মীয়ামগী অপেন-পেন্দা কয়া অদু নৈনরবা মতুংদা মণিপুর মাওইষ্টনা চুম্নগী ঈহৌ অসিগী অরাংফম ওইনবা ৱারেপ লৌরকখিবনি। লুপ অসিনা ঈহৌ অসিবু লুচিংবা নত্তে চুম্নতগী অশিন অরাংগী থৌদাং অদুখক্তা লৌবনি। মণিপুর থুগায়দুনা অতোপ্পা লৈবাক শেমজগে হায়দুনা খুৎলায় পায়দুনা ঈহৌ হৌবা য়ারগদি য়েলহৌমী কন্নবা মণিপুর মাওইষ্টনা অশিন অরাং ওইবদা করিসু থোইদোকপা অকায়বা লৈতে। মরম অদুনা অসিগুম্বা চীন্থোকৱাদা মীয়াম্না নিংহন্নফম থোক্তে। হন্দক্কী ঈহৌ অসিদদি য়েলহৌমী ময়াম্না মায় পাক্তবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অদু চেৎনা থাগোন্নবীদুনা মণিপুর মীয়াম হুপ্না ঈহৌগী পুংজা ঙায়বিয়ু। ঈহৌ অসিগী মপু মীয়ামনি। মরম অদুনা মীয়াম্না হৌনবা নাইদনা নবেম্বর ১১ গী নুমিদাং পুং ৬ তগী মণিপুরগী লম্বী-লমজাও খুদিংমক মীয়াম্না খুদুম চনবীয়ু। মীয়ামনা লুচিংবা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসিনা মাইথিরগদি মতুংদা মীয়াম্না চিন কাংফম লৈরোই হায়বসি খঙবীয়ু। ঈহৌ অসি চোন্থবগী মরুওইবা মরমশিংদি হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন ৱাহল্লবা লৌমী মীয়ামগী লৌরোক পান্থা মতমদা ঈহৌ হৌবা হায়বসি লায়রবা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী লুপ অসিগী ৱাখল্লোনদা চাউনা অকায়বা লৈ অমদি খুন্নাইগী পুক্কৈ-লনগৈ পৈশিল্লবা মতুংদা মপুং ফাবা ঈহৌ চঙশিনবা চুমগনি হায়রি।

অরোয়বদা চেরোল অদুনা হায়, নাকল অমরোমদা মেরা ৱাফুকপা অমদি কুট ফেষ্টিবেল মনুংদা ঈহৌ হৌবসি লৈবাকমচা তাবসু ওইরোই। পুম্নমক অসি য়েংলবা মতুংদা ঈহৌগী শরক শিদনবা হিয়াঙ্গৈগী ২৩ নি পানবা থাংজ নুমিৎ, নবেম্বর ১১ দগী ঈহৌ চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। নাকল অমরোমদনা অপুনবা মীয়ামগী ঈহৌ অমা ওইনবা হোৎনবদা ৱাতান্নবগী মতম খরসু লৌদবা য়াদবা লৈবননি। মরম অদুনা মহৈ-মশিন তম্বদসু অকায়বা থোক্তনবা মহৈলোয়শঙ খুদিংমক্লা ইগজামশিং পাঙথোক্কদবা লৈরবসু ঈহৌ অসিগী মতুংদা খরা চোন্থনা য়েংলগা মতম লেপ্পীনবা মণিপুর মাওইষ্টকী মায়কৈদগী পাউজেল পীরক্লি। য়েলহৌ ঈহৌরেল (মেগা প্রোটেষ্ট) অসিগী মনুংদা মীপুম খুদিংমক ইশাগী তঙায়ফদবা শিন্থা খুদিংমক থাদোক্তুনা ইশাগী থৌদাংনি খন্দুনা লৈজবা খুদিংমক কথোকপগা লোয়ননা থৱায় ফাওবা পামুবা তৌদনা ঙসিগী মীরোলনা অনৌবা পুৱারিগী লাতম অমা কল্লমদুনা সনাগী ময়েক্লা হক্তুনা লৈহৌরগদবা ঈহৌ অমা ওইহনসি অমদি ঈহৌ অসিনা য়েলহৌমী কল্লমসি হায়না মখা তারি।

কষ্টমসনা ইম্ফালদগী ক্রোর ৫ ...

লামায় ১গী মখা... লোইনমক কুমথহল্লবা তুংদা গাড়ী অদুদা করি য়াওরিবগে হায়না য়াম্না চেকশিন্না থি-হুম্বগী থবক চথুখি। তুংদা দ্রাইভরগী নাকন্দা লৈবা থোঙ ময়াগী সাইদ গার্দকী মনুংদা সনাশিং অদু লোৎশিল্লগা পুরে হায়বা খঙবা ঙমখি।

লোৎশিল্লগা পুরম্বা সনাশিং অদু লৌথোক্তুনা য়েংলুবদা সনাগী বার ১২ য়াওরম্বা থেংনখি। অৱম্বা ওল্লগা য়েংলুবদা সনাগী বার অমমম্না কেজি ১.৬৬ লূম্লম্মী। বার ১২ অদুগী অপূনবা অৱম্বনা কেজি ১৯ গ্রাম ৯৫৪ রোম ওইরমখি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সনাগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিং এম দি নাজিমুদ্দিন (৩৯) অপোকপা এম দি কয়ামুদ্দিন কৌই। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোং তুরেল অহনবী দাম মখাদা লৈবনি। মঙোন্দগী ফারবা সনাশিং অদু পুন্না লুপা ক্রোর ৫.০৯ লোমগী ওইগনি হায়রি।

সনা অদু গাড়ী অদুগী মপুগীনি। গাড়ী অদুগী মপুগী মমিংনা এম দি য়াকুপ (৫০) অপোকপা সলামদ তুলা কৌই। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন ময়ায় লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

সনাশিং অদু ম্যান্মাররোমদগী পুরকপনি। অদুগা দিল্লি, মুম্বাই অমদি কোলকট্টানচিংবদা থানবা পুরম্বনি । অদুবু সনাগা কোন্ননা ফারবা দ্রাইভর এম দি নাজিমুদ্দিননা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্নদি, মহাক্লা গাড়ী অদু থৌদুনা অমদি জিরি পার্কিংদগী পেসেঞ্জর খরা তোংলগা জিরিবাম তম্না চৎনবা হোৎনবনি। জিরিবাম য়ৌরগা সনা লৌবা মীওই লাক্লগা মখোয়দা শিন্নরমগদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কষ্টম দিভিজন ইম্ফালনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা চহী ৩ চৈরাক পীবা য়াবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

মহাক্লা পুরক্লিবা সনাশিং অদু শেংব্রা-শেংদব্রা হায়বা টেষ্ট তৌনবা গুৱাহাটিদা লৈবা গোল্ড টেষ্টিং সিম্পেল্লিংদা থারগনি হায়রি।